Leaflet No. 4/2022

ভাকৃঅনুপ
ICAR

# মথী ময়ুং শেংদোক্তনা ওক লোয়বা

– ডা. সরাংথেম জেসমারানি –

হৌজিক্কী মতমদা শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা মফম খুদিংদা ওক লোয়নরি। ওকশিং লোয়বা মতমদা য়ুমগী মনাক নকপদা লোয়বনা অয়াম্বনি। মসিদা মথী-ময়ুং শেংদোক্লগা মফম চানা পৈশিনফম লৈতবগীসু অৱাবা অমা ওইরি। ওক লোয়বা মতমদা য়ুমলক্তা লোয়বসিসু অচৌবা অশোয়বা অমনি। অদুবু মফম নিংথিনা লৈতবা মফম ওইরগদি অনৌবা মওং অমদা লোয়রগা মনম মহা চেলহন্দনা মথী-ময়ুংসু শেংদোক্তনা লোয়বসু য়াই। হায়রিবা ওক লোয়বগী মওং অসিবু ঐখোয়না বোকাশী পীগরি হায়না কৌনৈ।

বোকাশী হায়বগী ৱাহন্থোক্তি পুমহল্লবা ওর্গানিক মেট্রর হায়বনি। মসি জপানিজ লোলনি। মসিগী মওংদা লোয়বা মতমদা কান্নরবা মীৎনা উবা ঙমদবা অফবা মখলগী হীংকুপ ময়াম অমা শীজিন্নৈ। মসিগী মথক্তা ৱাদগী লৌবা মহী অমগসু শীজিন্নৈ। অফবা মখলগী হীংকুপশিং অসিনা



ওক্কী মথী-ময়ুংদগী থোরকপা নমথীবা মনম কয়া অমা মনম চেলহন্দে, হয়িং তোংবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি, ওকশিং নাবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি, মচিঞ্জাক চাবগী চাং হন্থনা পীজরগা লুম্বগী চাং হেনগৎহল্লি। থা তরা শুবদা মপূং মরৈ ফাদুনা য়োনবা ঙমহল্লি।

ওক্কী মকোন শাবা মতমদা লৈমায়দগী ফুট ৩গী চাংদা লুনা তৌবীগনি। করিগুম্বা মতমদা নীংশিংবীগদবা অমনা শাগদৌরিবা ওকোনদুগী মনাক্তা করিগুম্বা লৌবুক ওইরগদি নোংজু থা মতমদা ঈশিংগী ঈফুৎ ফাওরকপগী চাংসু য়েংবীগনি। করিগুম্বা ঈশিং চুমথরকপগী মওং উরগদি খরা ৱাংখৎনা লৈহনবসু অকায়বা লৈতে। তৌবতবু কোমদু ফুট ৩দি লুহনবীগদবনি। মচা ধারা লৌনবগী ওক ওইরগদি ওক অমদা ফুট





৬ x ৪ ওইগনি। অদুগা মশা চাননবা ওক পূন্না লোয়গদবা ওইরগদি ওক অমদা স্কৱার ফুট ১৬ ওইগনি। ওকোন শাবা মতমদা অকোয়বদু লৈমায়দগী ফুট ২ ৱাংনা কোয়শিনবীগনি। মসি নৎত্রগসু লমহাঙ ওইরগদি অকোয়বগী ৱালদু ফুট অনীমুক্তং খাজিনবীগনি। ওকোনগী মথক্লা/য়ুমথক্লা সধারনগী ওকোনগী য়ূমথক্কুম্না শেম্বীবা য়াই। ওকোন মনুংদা ঈশিংগী ইফুৎ ফাওরক্লগদি হায়রিবা বোকাশীগী মওংদা লোয়বদা অশোয়বা কয়া অমা য়াওরক্কনি। মরম অসিনা ওকোনগী কোম তৌবা মতমদা ঈশিংগী ইফুৎ লাক্তবা অমদি কংনা থম্নবা হোৎনবীগনি। ওকোন মনুংদসু নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংবা মথৌ তাই।

ওকোন মনুংদা কোম তৌরবা তুংদা কোমদুনা উকুপ ৪০%, অকংবা মনা-মশিং/চন্দ্র ১০%, ৱাইকুপ ২০%, অফবা মখলগী লৈবাক ২০%, ৱাইদগী শেম্বা মৈতাল ১০%, কলানমক, ৱা মহী অমদি হীংকুপ শীজিন্নবীগনি।

মথক্তা থল্লিবা পোৎচং ময়ামশিং অসি ঐখোয়না তৌরিবা কোমদুগী চাওবা শাংবগী মতুংইন্না মরোল মরোল হাপ্পীগনি। মরোল অমা হেক হাপ্পা লোয়বগা ঈশিং চাইশিনবীদুনা তোৎশিল্লগা লৈতেম মান্ননা থম্বীগনি। অদুগা অমুক অতোপ্পা মরোল অমা শেম্নবা হৌবীরগা লৈতেম মান্ননা থম্বীগনি। অসুম্না মরোল মরোল ঈশিং চাইদুনা শেম্বীরবা মতুংদা লৈতেম মান্ননা অরোইবা ফাওবা থম্বীরবা তুংদা মথক থংবদু চন্দ্রনা কুপশিনবীরগা থম্বীগনি। নীংশিংবীগদবা অমনা ঈশিং চাইরগা তোৎপা মতমদা ঈশিংগী চাংসি চাদা ৬০%দগী হেলহনবীরোইদবনি।



হায়বদি তোৎলিবা পোৎলমশিংদু খূৎনা পায়শিনবা মতমদা মচুম তাহল্লোইদবনি অমদি খরা চোৎনা লৈহনগদবনি। কোম মনুংদু লৈতেম মান্ননা থম্লবা মতুংদা হাপ্তা অমা লেঙদনা থম্বীগনি। মরমদি হায়রিবা মতমসিদা অহিংবা হীংকুপশিংদু মশীং য়ামহনবগী খুদোংচাবা লৈহনগনি। হাপ্তা অমা লৈরগা ওকশিং থম্বীবা য়ারে। ওক থম্বীবা মতমদা ওকশিংদুনা মনাতোন্না হৎল-হৎলগা চাবা থেংনরগদি মদু মায় পাকপা অমা ওইরে হায়না লৌবীগনি।

ওকশিংসি য়াম্না শীংবা শা অমা ওইবনা মথী-ময়ুং কয়া চোয়দে,



মফম অমদা অদুম তৌবা থেংনজে। মরম অসিনা ওক মপুনা নুংতিগী য়োৎপাক্লা লৈতেম মান্ননা শেম্বীরগদি করিগুম্বা মতমদসু ওক্লা লূম্বা শা অমা ওইবনা অমদি ওকোন মনুংগী কোমদুদা হাপ্পীবা পোৎশিংদু অয়াঙবা ঙাক্তা ওইবনিনা নমথবা থেংনরক্কনি। মরম অসিনা মতম মতমগী ওইনা মথক্তা থল্লিবা পোৎলমশিংদু অমুক অমুক হাপ্পীবগা লোয়না লোয়ননা হীংকুপ অমদি ৱাগী মহীসু হাপ্পীগনি। অসুম্না মনুংদা লৈরিবা ওক্কী কুনফমশিং মখোয়শিংদু য়োন্থোকত্রিফাওবা নৎত্রগা চহী অমা চূপ্না থম্বীবা য়াই। ওকোন মনুংদা লৈরিবা পোৎলমশিংদু কম্পোষ্ট ওল্লবনিনা লৌউ-শিংউবা অমদি পোৎ চৈ থাবদা শীজিন্নবা য়াই। কেজি



অমনা স্কবার মিটর অমগী চাংদা লৌফমদা শীজিন্নবসু য়াই। মসি ঙাগী মচিঞ্জাক ওইনসু শীজিন্নবা য়াই।

অসিগুম্বা বোকাশীগী মওংসিদা লোয়রবা ওকশিংগী পীজ পীথক তৌনবা পাত্রদু ওকোনগী মপান নৎত্রগা মনুংলোমদা থম্বীবা য়াই। তৌবতবু মনুংদা থম্লগদি মপান্দগী মচিঞ্জাক পীজবা য়াবগী মওংদা থম্বীগনি। ওক মচিঞ্জাক পীজবা মতমদসু মচিঞ্জাক কা হেন্না পীজবগী মথৌ তাদে। নোংমদা ওক মপি অমনা কেজি ৩ চাগদবদু কেজি ২দা হন্থহনবা য়াই।

অসুম্না অসিগুম্বা অনৌবা মওং অসিদা ওক য়োকপীরগদি শিবা-নাবগী চাং হন্থবতা নত্তনা হেন্না শেন্দোং লৈবা অমা ওইবগা লোয়ননা মনম মহা চেন্দনা লোয়বা ঙমগনি। ●



*Prepared By :*

**Dr. S. Zeshmarani**
Sr. Scientist & Head,
KVK Thoubal

**KRISHI VIGYAN KENDRA, THOUBAL**
*Department of Agriculture*
*Govt. of Manipur*